ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯃꯦ ꯱꯲, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯴꯶ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, মে ১২, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ৪৬শুবা মশীং

# পুলিসকী থবক থাগৎনীংঙাইনি

## মতম খুদিংমক্তা কৈমাং ফমহন্নীংই

মী অমনা অফবা, অচুম্বা অমসুং কান্নবা থবক অমা তৌথোরকপদা শুপ্নতগী ৱাহৈ খক্তুনা ওইরবসু থাগৎপীদবা, পূক্নিং থৌগৎপীদবসি মণিপুরী খুন্নাইগী হৌনবীনি, মচৎনি। হায়রিবা ফীভমসি লৈবাকসিগী অমসুং মালেমগী অতোপ্পা লৈবাকশিংগী খুন্নাইশিংদসু থোক্লমগদ্রা? লৈরম্ববুদি য়াই অদুবু লৈরম্বা য়াওরম্লবসু মণিপুরী খুন্নাইনা ইহেন-হেল্লমগদবা মাল্লি। খুন্নাইসিদদি অশোয়বা, অরানবা তৌরকপদা ময়াম পূন্নমক্না য়োমশিন্দুনা চৈথৎপী, ঙাওথৎপী। মী ওইবগী ৱা ঙাঙবীদে। পিদ্রিৎ থোক্না চৈ থাংবি। করিদগী মতৌ করম্না শোয়খ্রিবনো, লানখ্রিবনো, করি-করম তৌরগদি অমুক হন্না শোয়রোইদগে, লাল্লোইদগে হায়বরোমদা লাক্লদে, চংশিন্নরক্তে। পূন্নমকসিগী মথক্তা শোয়খ্রিবা, লানখ্রিবা মীওইশিংদুনসু শোয়খ্রে, লানখ্রে হায়দুনা ইচং-থৌনা হায়বসু ঙমদে। মতুংদা অমুক হন্না শোয়দ-লান্দনবা হোৎনরগে হায়রকপসু য়াম্না তাঙলি। মসিদি খুন্নাইসিগী অশেংবা মায়ওন অমসুং ফীভম ওইরোই। করি-করম তৌরগা চুমথোকহৌগদগে হায়বরোমদা খন্নহৌবা চুমগনি। অদুবু খুন্নাইসিগী হৌজিক ওইরিবা ফীভমসিদা হন্দক মণিপুর পুলিসনা পায়খৎলক্লিবা থৌরাং-থৌশিল, পাঙথোরক্লিবা থবক-থৌরমশিং অসিদি মীয়াম হুপ্না থাগৎপীফম থোকই। নার্কোটিক দ্রগস অমসুং সাইকোট্রোপিক সবষ্টেন্সেস (এন দি এন্দ পি এস) এক্ট, ১৯৮৫গী তোঙান-তোঙানবা সেক্সনশিংগা মরী লৈনবা কেসশিং খূৎপায়ননবা 'টাস্ক ফোর্স' ফাওবা শেমগৎলকখ্রে। চুম্না শেম্বদা নত্তনা পোপী পাম্বী থাবশিংদগী হৌরগা ইল্লিগেলনি হায়বা দ্রগ লল্লোনবা, চাবা অমসুং পুশিল্লকপশিংগী মথক্তা উকাই তকথরক্লে। হান্নসু তৌদে হায়বা নত্তে, তৌদুনা লাকই। অদুবু হন্দক্না অমুক্না হেন্না কনখৎলক্তুনা নুংতিগী ইস্নোন কাংদনা দ্রগশিং ফাগৎলক্লে হায়বা য়ারে। হৌজিক ফাওবদা লৈরিবা ফীভমসিদা লেঙদনা লৈহনবা ঙম্লগদি অনৌবা লৈঙাক্কী ৱার ওন দ্রগস- ২.০ প্রপ-প্রপ মায় পাকহনবদা লুনা থোক্কদবা মান্দ্রে হায়বমক য়ারে। মখা তানসু লেপ্তুনা লানসিবু মায় পাকহন্নবা লান্থেংনরকপা ওইসনু।

নাকল অমরোমদনা ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (আই জি পি) লো এন্দ ওর্দরগী লমজিং মখাদা 'এন্টি ভেহিকল থেফ্‌ট সেল' নৌহৌননা মথ্বায় পালহন্দুনা গাড়ী মচা-অচৌবা হুরানবা মীওইশিং, হুরান থবকসিদা চেন্নবা মীওইশিং তকখৎতনা ফাগৎপা হৌরক্লে। হুরানবা গাড়ীশিংগী শেমজিন-শাজিনবা আর সী বুক শেম শাবদা চেন্নবা মীওইশিং ফাওবা ফাগৎলক্লে। থবক অনীমকসিদা ইনভোল্ব তৌরিবা পুলিসকী রেঙ্ক এন্দ ফাইল পূন্নমক য়াওনা থোইদোক-হেন্দোক্না পুলিস দিপার্টমেন্ট অপূনববু মীয়াম্না অমত্তা ওইনা থাগৎপীফম থোকই। থবকশিংসি মণিপুরগীদি লো-এনফোর্সিং এজেন্সীশিংগী মরক্তা মাঙজিল থাবা ফোর্স অমা ওইরিবা মণিপুর পুলিসকী তৌফম থোকপা থবক, পাঙথোকফম থোকপা দ্যুটি (মেন্দেটরি) ওইরবসু হন্দক্কীসিদি থোইদোক-হেন্দোরক্লবনিনা থাগৎপীগদবনি, পূক্নিং থৌগৎপীগদবনি। অদুগা মসিগী থবকশিং অসিনা পুলিস দিপার্টমেন্টকী মকোক থোংবা ওফিসরশিং, লৈঙাক্কী থৌপুবশিং, লন্নাই মীওইশিং অমদি মীয়ামগী লূপশিংনা তৌবিগদবনি। অফবা থবক তৌরক্লবদি ফৈ হায়দুনা থাগৎপীগদবনি। ফত্তবা থবক তৌরক্লগনা ফত্তে হায়বা ঙমগদবনি। মে ২, ২০২২দা শগোলবন্দ কাঙবম লৈকায়দগী অরাম্বম ননাও কৌবা সনা শাজবা নহা অমা ফাখ্রগা কষ্টদিদা শিহনখিবা থৌদোক্তুগী মতাংদা দিপার্টমেন্টনসু চেন্নরিবা সব-ইন্সপেক্টরদুগী মথক্তা এক্সন লৌখৎতুনা সর্ভিসতগী সস্পেন্দ ফাওবা তৌরিবনি। থৌদোকসিগী মতাংদা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা ফাদুনা পুলিস কষ্টদি হঞ্জিন-হঞ্জিন লৌদুনা ৱাহং পাউহংবগী থবক ফাওবা চত্থরিবনি। অদুবু হন্দক দিপার্টমেন্টসিগী মায়কৈদগী এন দি এন্দ পি এস এক্ট, ১৯৮৫গী মায়োক্তা লৈবা থবক থৌরমশিংগী মথক্তা অমসুং 'এন্টি ভেহিকল-থেফ্‌ট সেল'গী মখাদা লৌখৎলক্লিবা থবকশিং অসিদি পাঙথোকফম থোকপা নোর্মেল দ্যুটিশিং ওইরবসু শীংথানীংঙাই ওইরবা থবকশিং ঙাক্তনি। ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপীগদবনি। পাঙশিনবিবা য়াবা মতেং পূন্নমকসু পাঙশিনবীগদবনি। অদুবু ফজখ্রবা থবকশিংসি মৌ অনৌবীগী থবক্তি ওইহনগুমসি, ঈয়াইদা তাকপা কোঙ্গোলগদি পাঞ্জক ওইহনগুমসি। অরানবা, ফত্তবা থবক অনীমক মণিপুরদগী মরূ ফংনা মূথৎত্রিবা ফাওবা হনবা লৈতনা চঙশিল্লকখো। হৈনীংলগা কৈমাং ফম্বা, হৈনীংদ্রগা কৈনীং ফম্বগী থৌদৌ তাহনগুমসি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪১

১) অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী মনুংদগী ৱারী অনীখক, **"য়াম্না হকচিনবা নুংশি নুংওনগী ৱারীদা য়ূম্ফম ওইবা ঙাক্তনি। অনীমক পাখঙ লৈশাবী, নুংশিনবা ৱানা থুংনবা নৎত্রগা কায়নবা নত্তে। য়ূম পাল্লবা, নুংশিননা লৈরবা তুংদা কায়নবা অমসুং অঙকপা থৌনাগা লোয়ননা হঞ্জিন্নবা ঙাক্তনি।"** ৱারী অনীসি মমিংসু ওইরিবা লাইরিক্তু করিনো?

২) **"মিৎয়েং অমা"** হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো?

৩) **"ত্যাগ পত্র"** হায়বা ওরিজিনেল লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং মণিপুরীদা করি মমিং থোন্দুনা কনানা হন্দোকপগে?

৪) ***"লীগী লীশাগা শম্নবা/খূৎনা পায়বগুম লৈরিবা/চাংজৌ নীঙজোন্দে তাখ্রবা/গম্ভীরা তুরেল মহাক্কী/অমুবা লাইজ চরৈবু/হাইদোক্লগা কুমথরকপা/নঙনা লম্ফে চৎলুবদি/য়াম্না লুনা থোক্লরনি।/মহাও খঙলবা কনানা/খ্বাঙদৈ চরৈ নাম্থখ্রবী/নুজা মাবু হন্দোক্তুনা/খোঙশানবা ঙম্বা য়াওবগে?"*** শৈরেং মতেক অসি মহাকবি কালিদাসকী "মেঘদুত" হায়বদুদগী মণিপুরী অনুবাদতগীনি। অনুবাদ তৌরিবসি কনানো?

৫) ১৯৪৯ ইং নবেম্বরদা অহানবা নম্বা **"ইখৌ-লাংবা"** হায়বা লাইরিকসিগী অইবা কনানো? করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ৭৭

## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

নীংশিংবগী থোঙদা লিৎশিল্লকপা ৱারী ৱাখোঙ কয়া পরিং ওইনা চত্থরকপদা ঙসিদি মমলৈখ্রবা আর্টিষ্ট অমগী ৱাফম খরা অমসু নীংশিংজদুনা পাউদমজগে। লৈখিদ্রবা থিয়াম চিংলেন, ময়াম্না কম্মান্দো শাবা হায়না খঙনবীবা আর্টিষ্ট অসি ঐখোয়গী পার্টিদা ইহান হান্না ঐনা পুশিন্দুনা য়াওবা হৌখিবদগী মহাক্কী মফম অমা মণিপুরী শুমাং লীলাদা চাউনা কনবা ঙমখিবনি। অহানবদদি মহাক লীলা য়াওবা মীশক অমনি হায়না খরা খঙনরবসু অদুক য়াম্না মাগী পোপ্যুলর অসি লৈখিদে। শুপ্নতগী ঐখোয়গী পার্টিদা য়াওরবা মতমদতা মহাক্কী মতিক ময়াই অসি ফুদোরকখিবনি। মতম অমা দাইলোগ লীলা হায়না লৈরম্বা মতম অদুদা য়াওরম্বনি। দাইলোগ লীলাসি য়াম্না শীথখ্রে। ময়াম্না ইকৌ কৌদুনা লীলা শানবগী চাং অসি অসুক্কী মতিক ৱাৎখ্রে। অদুনা অয়াম্বা মতমদা মমিং লৈরবা ওজা কয়া অমা ফ্রীদা লৈ। লীলাগী কাঙলূপ খরদি মথনতনা অদুম তোকচখিদুনা লীলা কাঙলূপকী মশীং খংহন হন্থখ্রে। লীলাগী ওফিস লীংদুনা লীলা তৌবা ঙম্নখিদবা মতম অদুদা মহাকসি ঐখোয় পার্টিদা য়াওরসি হায়না ঐনা হেক হেক হৌই। তোয়না তোয়না উন্নদুনা চা থকমিন্নরগা ঐখোয়দা য়াওনবা ঐনা থেম্মী। মমৈদদি মহাক য়াওনীংবা ফাওরক্লে। মাগা লোয়ননা কৈরাওগী ওজা রাজেনসু মখোয় অনী লাক্লগে হায়না হায়রকপদগী ঐগা পূন্না উন্নদুনা ৱারী ৱাখোঙসি ফজনা শানরে। মতমদুদা ঐখোয়গী লীলাসি য়াম্না মমিং লৈবা, মীয়াম্না য়াম্না পাম্নবা লীলা "লানপুঙগী পুঙখোল" হায়বা অমা শান্নরি। লীলাদুদা ইয়াম্বা কোংবদগী তাদা বিরনা কুম্বা রোল অদু মানা কুম্নবা হায়দুনা খনবনি। অদুবু আর্টিষ্ট অনী লাকপা তারবদি মতমদুদা এস পি শাবা তাদা জুগেশোরসু তোকপা তাবনি। হায়দি হায়নরগা ওইগদৌরিবা ফীভম অদুগী খনবদা ঐ য়াম্না মথা শাখি। তৌবগীবুদি অহল অনীসি লীলা অদুদা য়াম্না ফজরবসু অতোপ্পা লীলাদা নহা ওইরপ তৌবগী রোল শারকপদদি খিত্তং অহল ওইবদুদা য়াম্না খঞ্জান্নখি।

মতমদু ঐখোয় লীলা কন্না চৎলিবা মতমনি। পার্টি মনুংদা লোন্না লোন্না ঐনা তানবা য়াবা তান্নৈ। লৈখিদ্রবা ঐগী মরুপ ধনবিরনদি য়াম্না য়াখিদে। লৈরিবশিং অসিনা অসুম মতম খরা তৌখিসি হায়না কন্না হায়। অতোপ্পা খরা অমনদি মখোয়না ফৈ হায়না ওপিনিয়ন পীরকই। লুশিল্লক্লিবনা চিংলেননা মরোল অমা য়াও হায়রগনা থুনা হায়রো, নৎত্রগদি ঐখোয় অতোপ্পা অমদা পূন্না চৎখ্রগনি হায়না হায়রে। ঐ তৌফম খঙখিদে। পার্টিগা হন্না হন্না কূপ্পা খন্নরবা মতুংদা মখোয় য়াওহনবদা য়ানরে। অদুবু লীলাদি নুংতিগী লৈবনিনা করম্না তৌবা হায়না হায়বদগী মখোয়গী রোলশিংসি দাইলোগশিংদু হান্না পীখ্রে। নুমিৎ খরনি মখোয়দা দাইলোগ ফানবা মতম পীরবা মতুং য়ারনি হায়রবা কান্দুদা অহল অনীদুদা য়াম্না কিনা কিনা অমদি নুংঙাইতনা ৱারীসি ফজনা শারবা মতুংদা ফরে ফরে হায়দুনা মখোয়বু য়াওহনখি। অহল অনীদুনা তোকপা নুমিৎ অদুমক্তদা মখোয় অনীসু লীলা অদুম কুমখি। মখোয়না ইহান হান্না লীলা কুমখিবা মফমসি ঐগী দাইরিদা ইশিল্লম্বদগী য়েংবদা বিষ্ণুপুরদগী চত্থরগা নিংথৌখোং য়ৌদ্রিঙৈগী খুল খা পোৎশংবম হায়বা অদুদনি। ফনা কুইনা তা জুগেশোর অমদি তাদা বির অনী তোকখিবদা য়াম্না নুংঙাইখিদে। ইশাদা ইহাঙ হাঙবা খরা অদুম উখি। লানপুঙগী পুঙখোল হায়বা লীলাসি মতম য়াম্না শাংনা তম্লগা মশা নান্না পুথোরকখিবা লীলানি। লীলাসু য়াম্না লুবনি। মতমদু মহাক্কী সাইকল অমা লৈরম্মী, মানা তোংবা সাইকলসি য়াম্না তরু তরুই। তকপগা শেংবগা য়াম্না চেকশিন্না তৌজে। অদুনা সাইকল লংত্রিক লংই। ওফিসতা লাক্লসু ঙাইহাক শংবদা মাগী সাইকলদু ফি অমা পায়রগা হেক্তা তক নান্দুনা লৈরম্মী। মশা য়াম্না নানবা পামজবা মীশকনি। মানা লিৎথোরকপা ফুরিৎ খোঙগ্রাও ইষ্ট্রি নুংতিগী তকই। শৃৎ-শৃৎ নান্না শেৎতোক চাথোরকই। মসিমদি মঙোন্দগী য়াম্না তমজনীংঙাই ওই। ফৈজোম মক্তা শেৎলবসু তরূ তনাল্লি। শেৎলুরগা ফজনা থুপ্লগা খৃৎনা নান নান্দুনা শেম্মী। মথংগী শোদা অমুক ইহন হনবগুম্না ইষ্ট্রি মমি তেক্তনা শেৎলকই। মসি মাগী হৈনবীনি। মোৎনা শেৎপা য়াদে। লূ নানবা য়াম্না পামজবা মীশকনি। খ্বাইদগী ঙকপা মাগী মতিক ময়াই অমা হায়বা তারবদি, অনৌবা মী থেংনবদা খঙনশিনবসি য়াম্না হৈখ্রজাৎনি। থোক হেক্তা নপশিনখি, চহী কয়া তিন্নরক্লবা মীশক অমগুম্না তিন্নখিনি। মসি মাগী য়াম্না হৈ শিংবা, মীবু খোনবা হৈবা, মী শুম্বা হৈবগী ময়াইনি।

"থৱায়না পুন্সিগীদমক" হায়বা লীলা অমা পুথোক্লবা শেম শারে। মসিগী কষ্টিংদা লৈখিদ্রবা চিংলেনসি খরা নুংঙাইখিদবনি। মঙোন্দা কম্মান্দোগী রোলসি পীবনি। অদুদা মানা লীলাদুদা য়াওবা এদভোকেট অমগী রোলদু শাগে হায়না কন্না হায়বনি। মতমদুদা ঐনা রোলসি য়াম্না ফজবা রোলনি, য়াম্না তোয়না থোকপা নৎত্রসু, লীলাসিদা নহাক্কী থৌদাং অসি অসুক্কী মতিক চাওই। লীলাগী দিজাইন অমা তৌরগা শান্নগদবনি, শোয়দনা লীলাসিদা নহাক ফাওগনি হায়না ঐনা কন্না হায়বদু মানা কয়া য়ানীংখিদে। মহাক্না লীলাদুদা শেৎখিবা কম্মান্দোগী দাঙ্গ্রি (ফুরিৎসু খোঙ্গ্রাওসু পুল্লপ পুনবদু) অৱাং বি ও সীদা লৈবা পুলিসকী দ্রেস তুফম অদুদা ঐগা চৎলগা তুখিবনি। অদুসু মানা লুপা অমা পুথোক্লগা তুখিবা নত্তে, পার্টিনা পুথোক্লগা তুবনি। মতমদু মহাক মশম য়াম্না শাংই। মাগী মশমসি জ্বাই জ্বাই তারগা য়াম্না ফজবনি। ঐনা নশমদু ককসি হায়বদা মানা শুংয়া য়াখিদে। শম ককপা পামদে হায়না মরৈ তুরৈ তৌদুনা কুইনা লৈখি। মমৈদদি মশমসু লিচৈ মরূদা তাখৎলগা ককথৎলে। লীলাদু ইহান হানবা ওইনা থাঙ্গ সলামদা ফোঙবনি। নুমিৎতুদদি কম্মান্দো শাবসি মখল অমগী কেরেক্টর অমা ওইনা পুথোকখি। লাইগা য়াম্না নীংবা মানবা, ধর্ম্মগা য়াম্না লৈবা মানবা, মমায়দা নুংতিগী চন্দোল ফজনা থিল্লগা লাই তোয়না তোয়না শোল্লগা তৌথোরকপদনা হিংচা য়াইতম্বগী মওং ওইনা তৌরম্বনি। মদুগী ষ্টাইল লীলা ১০ মুক্তি অদুম্না শান্নখি। অদুবু পাল্লিবা মওংদু মহাক্না চুশিন্ননা তাবা ঙমখিদে। অদুনা চন্দোল থিনবা, লাই শোনবদু তোকথোক্লগা মাগী হৈনজবী গুন্দা ফদাগী টাইপ্তা কেরেক্টরদু অমুক শেমদোকপনি। মদুদা মহাকসি য়াম্না পকচখ্রে, মমিৎ-ও মনা-ও, মদুদগীদি মহাক অসি কম্মান্দো লোখোন শাবা হায়না মমিং চৎখি। লৈখিদ্রবা কম্মান্দো লোখোনগী মওংগদি য়াম্না খেন্নবনি, অদুবু মীয়াম্না পংথোন্দা থোনজিল্লগা অমনা হায়বদগী ময়ামসু অদুম পংহায় হায়নখিবনি। করিগুম্বা মহাক্না কম্মান্দোদু মানা য়াদদুনা অদুম শাখিদবা তারবদি মহাক্কী মরাইবক অমা ইচুম চুল্লম্লোইদবনি। কোন্নথংদা মানা ঐবু য়াম্না পেন্না থাগৎখিবনি - "নঙনা হায়খিবদু চুম্মে, ঙসিদি মীয়াম্না ঐবু খঙনবীরে, মসিগী লমন অমা নঙোন্দা তোনশিল্লে"। মথং পুথোকপা লীলাদি মহাক্কী কেরেক্টর-রোল অমা পীনবা শেম শাই, অদুনসু মহাক্কী অফবা মায়কৈ অমা শেমগৎপা ঙমখিবনি। চহী খরা লৈরগদি মহাক অতোপ্পা পার্টি অমদা য়াওনবা লোন্না প্লান অমা তৌরে হায়বা খঙলে। লীলা পার্টিগী মনুংদা লীলা য়াওবা হায়বা অমা, লীলা তৌবা হায়বা অমা অনী লৈ। লীলা য়াওবা হায়বসিনা লীলা অদুম য়াওবা, থোইদোক্লা অশিন অরাং, ওর্গনাইজেসনগী শরুক য়াওদবা অসিনি। অদুনা লীলা য়াওবশিংগীদি হৌনবীনি। থোইদোক্লা লুনা খল্লুদে, মাগী মহুৎ অমা অতোপ্পা আর্টিষ্ট অমনা শিন্নবা ঐসু লোন্না প্লান অদুম তৌই। মানা তোক্লগে হেক হায়বগা য়েস হায়রগা হান্না প্লান তৌবদুগা অদুম লেপ্তুনা লীলা চত্থখি। চহী ওল্লকপদদি মহাক অমুক হল্লক্লগে হায়না কন্না হায়বদগী অমুক য়াওহনখি। অদুদগী ফনা কুইনা চহী শাংনা লীলা তৌমিন্নরকখি। মদুদনি ঐখোয়না কৈশামথোং থোইবীগা হায়বদু পুথোকখিবদু। মদুদসু মহাক্না বামোন অমা শাবদু অদুম মীয়াম্না হৌজিক ফাওবা শোন্নবনি। প্লে অদু ঐনা স্ক্রিন প্লে তৌরগা ফিল্ম ওইনা পুথোকখি, অদুদসু মাবু অদুম কুমহনখিবনি।

ঙসিসু নীংশিংলি, মহাকসি হেক য়েংবদা ইশুক্তা শুকথবা মানবা, পিশুম অনীদু হেক হেক নকশিন্ননা লৈবসি মাগী হৈনবীনি, অদুবু মবুক্তি য়াম্না ফৈ। মানা ইশুক শুকথরগা ৱাগা হংবদা খুল্লক্তুবা করিনোমা লৈরবনি, করিনোমা হায়দৌরবনি, মদু চিনফা পুরবা মাগী হৈনবীনি। অদুনা হায়রক্তৌরিবদু অতৈগী অমত্তা ওইরোইদৌরিবনি, ইমুং মনুংগী লৈত-লায়রগী ৱারী ঙাক্তনি। য়াম্না মান্না হায়বা ঙম্মী। মাই মতৌদুদা ঐখোয়সি মাগী ঐখোয়না খঙদবা অৱাবদুদা শরুক য়াহনবা ঙম্বা অসি মাগী তোপ তোপ্পা মতিক ময়াই অমনি। অমরোমদা, মহাক মীগী মতৌ তমদুনা ফাগি তৌবা (মিমিক্রি তৌবা) সু হৈবনি, মতাং চানা চানা ৱা অমা অনীগা হায়দোরকপসি অদুম নুংঙাইবনি। লীলা তিন্নবা, পূনমিন্নবা য়াম্না নুংঙাইখি। লীলা চৎপা, লীলা তিন্নবা, মতম থান্নবদু হেক থেংবদা ফাইন লৌবা হায়বসি ঐখোয় পার্টিগীদি ৱুলনি। মদু নংনবা মহাক্কী লুনা অমা লৈরম্মী, হুমাং জি জি শৌখৈ হেক্তা লাকই। নোংফাদোক থেংবদা, লুনা বেরা তৌই হায়, থাও লোইখ্রে হায় তৌদুনা ফাইন কক্তনবা য়াম্না হৈশিংনা খুমখিবা রাশি য়াম্না য়াওবা মীশকনি। মহাক্কী মরমদা থওইনা ইরবদি য়াম্না শাংগনি। য়াম্না নুংঙাই নুংঙাইবা থৌদোক য়াম্না লৈরি। অদুবু মতাংসিদা তেশিনজগে। অরোইবদা, তাঙলবা লমদম অসিগী অথোইবা আর্টিষ্ট অমা ওইনা মঙাল নাইনা লৈরমখিবা মহাক্কী থৱায় মিরেলনা মপুগী নাক্তা লেঙদনা লৈজবা ওইরসনু। ●

# নোংমদা লিশীং ৫০ হেল্লে

**- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -**

কুমজা ২০২০গী এপ্রিল থাখায় য়ৌরকপা অদুৱাইদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখিবা মীশিংসি চাওরাক্লা ৪০০ মুক ওইরমগনি। মতৌ অসুম্না খরা খরা সুম হেনগৎতুনা লাকপনা চৎলিবা চহী অসিগী এপ্রিল থা হৌরকপদা নোংমদা অনৌবা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখিবগী মশীংসি ২৫০ ফাওবা শুরমদে লোয়ননা লাইচৎ অসিনা হেক হৌরকপদগী শিহনখিবা অপূনবা মীশিংসি ৮৫৩ ওইরম্বনি। অদুবু ঙসি থা অমা মখায় ফাদ্রিঙৈ মনুংসিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী মশীংসি নোংম-নোংমগী ঈশিং ঈচাওগুম হেনগৎলকপনা চৎলিবা চহী ২০২২গী মে থাগী তাং ৯-১০ (পুং ২৪) ফাওবগী মনুংদা পূন্না মীওই লিশীং য়াঙ্খৈগা চানিপাল কুন্নিপাল (৫০,৮২৮) য়ৌখ্রে। মসিগা লোয়ননা শিবগী মশীংসি খংহেন হেনগৎতুনা পূন্না মীওই ৯৪৩ শুখ্রে, হায়বদি মীওই ৯০ লৈখিদ্রে তেল্লবা মতমসিদা। এপ্রিল থাগী তাং ১ ফাওবদা অপূনবা পোজিটিভ কনফার্ম কেস মশীং ২৩,৬২৯ লৈরম্বা অদুনা মে থাগী তাং ১০ ফাওবদা পোজিটিভ ওইবা মীশিংসি ৪৪৮,৩২৩ (লাখ ৪ লিশীং ৪৯ হেল্লে) হেনগৎখ্রে খঙহৌদনা থোমজিল্লকপা ঈশিং ঈচাওগুম। হৌখিবা নুমিৎ খরনিসিদা নোংমদা শিবগী চাংসু মীওই ১২গী মথক্তা লেপ্তুনা শিরি। ফীভমসিদা য়েংলগদি মে থা লোইশিল্লকপদা লাখ মঙামুক হেনবা য়াই হায়না খন্নরম্বা অদু লাখ তরা য়ৌবগী ফীভমদা লাক্লি।

হান্না লাকখিবা কোভিদ-১৯ দেলটা ভেরিএন্টগুম অদুক হাক্লা শাথীবা, শিহনবা লাইচৎ নত্তে হায়না লায়না খন্নরম্বা, লৌনরম্বা অদুসু নোংমদা মীওই তরাগী মথক্তা লেপ্তুনা শিরকপসিদা মীয়ামসু হেন্না মীপাইনবা পোক্লরে। ফীভম অসি য়ৌরক্তুনা লাইচৎ অসি লাকশিনবা ঙল্লক্তবা অসিদনি টাইৱানগী পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা তৌফম খঙলক্তদুনা মীয়ামদা ওইনা শিন্নরক্লিবা। হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি থোক্লমদবা য়াবনি ঙসি পাল্লিবা টাইৱান লৈঙাক্লা করিগুম্বা লমদম অসিগী অখঙ অহৈশিংনা হায়বদা মমাঙদা পানখিবা লৈঙাকশিংনা মীয়ামগী খোল্লাউ তাবীরম্বগুম তাবীরম্লবদি। অদুবু লাইবক থীবদি মীয়ামগী খোল্লাউ অমদি অখঙ অহৈশিংগী ৱা তাদবনা হৌজিক্তি মখোয়সু মকোক শারে, তৌফম খঙদ্রে, মীয়াম্নসু থীনা থীনা চৈবিরে।

ওমিক্রোন হায়রিবা কোভিদ-১৯ ভেরিএন্ট অসি টাইৱান্দা হেক য়ৌরকপদগী নোংমদা শন্দোকপা পোজিটিভ ওইবগী মীশিংনা মালেমগী লৈবাক খুদিংমক্তগী হেন্দুনা মকোক ওইরে টাইৱাননা। য়াম্না ইকায়নীংঙাইনি। অসিগুম্বা মকোক ওইবসিদি কনানসু পান্নদে। মমাঙগী লৈঙাকশিংনা অসুক্কী মতিক নিংথিজনা, লূম্না, লুনা লৌদুনা, অঙম্বা হোৎনদুনা মীচম মীয়ামগী পুন্সি কন্নবা হোৎনবদা লাইচৎ খুদিংমক ঙাকথোকপা ঙম্লম্বগী চাওথোকচরম্বা পূন্নমক ঙসিগী টাইৱান লৈঙাক্কী থৌশাহৌদবা, চেকশিনহৌদবা, অখঙ অহৈশিংগী ৱা লৌরুদবা অদুনা মরম ওইদুনা লেমজনীংঙাই ওইরম্বা পূন্নমক পুন্মাঙ মাঙহনখ্রে। মসিনি লৈঙাক্লা মীয়ামগী খোল্লাউ তাদবা অমদি অখঙ অহৈশিংগী ৱা লৌদবগী মহয়। টাইৱানদা খক্তা নত্তে মসি মালেমগী মফম খুদিংমক্তা থোক্লিবনি।

মেদিকেলগী লম্‌দা অমদি শেন্মীৎলোন্দা অসুক চাওখৎলবা য়ু এস এনা করিগীদমক খ্বাইদগী মীশিং য়াম্না শিখিবা লৈবাক অমা ওইরিবনো হায়রগদি হান্নগী য়ু এস এগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা দোনাল্ড ট্রম্পনা মা মঙাইরে হায়দুনা নাপল কানা অখঙ অহৈশিংগী ৱা তারুদবা, লৌরুদবা, মীয়াম কন্নবা হোৎনবগী মহুত্তা চাইনাবু মরাল শীবদা থবক চিনখিবা অদুনা অচৌবা মরম অমা ওইরিবনি। মালেমগী সাইন্টিষ্ট কয়ানা থিজিন্দুনা খুদম পীদুনা কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসি নেচরেল কোজনি, মীওইবগী খূৎশেম নত্তে হায়দুনা ন্যুজ অমদি অতৈ মীদিয়ানচিংবদা কয়ারক ফোঙদোকপা লৈরবসু দোনাল্ড ট্রম্পনা তাখিদে। মহাক্কী অদুগুম্বা য়াম্না নাপল কাবা, রেসিএল ওইবা থৌওং অমদি মথৌ মশক খঙনা থবক তৌখিদবা অদুনা মরম ওইদুনা অনৌবা য়ু এস এগী প্রসিদেন্ট, জো বাইদেননা ফনা কন্না হোৎনদুনসু ঙসি ফাওবদা পূন্না মীওই ১,০২৫,১০৪ শিদুনা মাঙজিল থাদুনা চৎলি। মসিগী হেক মথংদা কনানা অনীশুবদা লৈরি হায়বা ময়ামসু খঙবীরম্লগনি। লাইবক থীবদি ইন্দিয়াসু ট্রম্পকী মতুং ইন্দুনা চাইনাবু মরাল শীরিঙৈ মরমদমগী মীয়াম কনবগী মথৌদি তৌহৌদবনা ইন্দিয়াদসু মীওই ৫২৪,১০৩ শিদুনা অনীশুবা রেঙ্কতা লৈরিবা অসিনি। তশেংবগীদি মসিদা পীরিবা ইন্দিয়াগী কোভিদ-১৯না শিহনখিবগী মশীংসি য়ামদ্রবদা শরুক তরা হায়বদি লাখ য়াঙ্খৈ (মিলিয়ন ৫) গী মথক্তা ওইরমগনি হায়না ৱর্ল্ড হেল্‌থ ওর্গনাইজেসননা বি বি সী ন্যুজদা ফোঙদোকখ্রবনি।

টাইৱানগী ফীভমদা অমুক ওনশিল্লকপদা, টাইৱানসি মী য়াম্না কূংনা তাই। মী য়াম্না কূংনা তাবনিনা (১,৬৮০ পর স্কৱার মাইল) করিগুম্বা চেকশিনহৌদবা মতমদা লৌনগনবা কোভিদ-১৯গুম্বা লাইচৎ শন্দোরকপসি অসুক্কী মতিক লায়না থোকই। মসি খঙবননি হৌখিবা মমাঙগী লৈঙাকশিংনা য়াম্না চেকশিন্না হোৎনখিবা। হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা চেকশিনহৌদবা অদুননি হৌখিবা ঙসি নুমিৎ কুন্থ্রানিমুক অসিদা মীওই লাখ নিফুগী মথক্তা শন্দোরক্লিবা। মীয়াম্না মাস্ক উপ্তুনা, হেন্দ সেনিটাইজরনচিংবা শীজিন্নদুনা, বোদি টেম্পরেচর চ্যেক তৌদুনা চেকশিন চেকশিন্না লাইচৎ অসি অসুক্কী মতিক থুনা শন্দোরক্তুনা নোংমদা মীওই লিশীং য়াঙ্খৈগী মথক্তা শন্দোরক্লিবা মতমসিদা টাইৱান লৈঙাক্লদি হেন্নদুম কোমথোকহল্লে, হেন্না চেকশিন খোঙথাং লৌখৎপগী মহুত্তা। মিনিষ্ট্রি ওফ এদ্যুকেসনদগী থোরকপা অনৌবা চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না হান্না মহৈশঙশিং অমদি ক্লাসশিং পূন্না থোঙ লোল্লম্বা অদুদগী হৌজিক্লা হেন্না কোমথোকহল্লে। করিগুম্বা ক্লাস অমদা পোজিটিভ কেস য়াওরক্লবসু পোজিটিভ কেস ওইরিবা মহৈরোয় অদুগা থংননা ফম্মিন্নবা মহৈরোয়শিং অদু নুমিৎ হুমনিগী রেপিদ টেষ্টিং পোৎলমশিং পীদুনা মশা মশাগী য়ূম য়ূমদা লৈহনগনি। নুমিৎ হুমনিগী মতুংদা নেগেটিভ ওইরবদি মহৈরোয়শিং অদু স্কুলদা ক্লাস য়াওবা য়ারগনি হায়না অনৌবা চৎন-কাঙলোন শেম্লে। হান্নদি নুমিৎ তরানি লৈহনবনি অদুবু হৌজিক্তি নুমিৎ হুমনিদা অদুম য়াহল্লে। হেন্না হেন্না ফীভম ফরক্তবদা হেন্না চেকশিন খোঙথাং লৌগদ্রা হায়রগা হেন্নদুম কোমথোকহল্লে টাইৱান লৈঙাক্লা তৌরিবসি। করি করম্বা পোলিসিনো হায়না মীয়ামসু ঙক্লরি। ঙসি ওইরিবা টাইৱানগী কোভিদ-১৯গী ফীভম অসিদা টাইৱানগী মহৈশঙ অমত্তা শোক্তবা য়াওদ্রে হায়বা তারে। তুংদা করি ওইগদবা? ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।